# ইন্দিয়াগী ব্রুশু শান্নরোইশিংনা ব্রিক্স গেমসকী অহানবা নুমিৎতা গোল্ড ১ য়াওনা মেদল ৩ ফংখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ* চাইনাগী গুৱাংদোংপ্রোভিন্সতা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরক্লিবা ব্রিক্স গেম ২০১৭ ব্রুসু কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ব্রুশু শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেদল ১ য়াওনা অহানবা নুমিৎতা মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী মেদল ৩ মক অসি মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইবা মেদল ৩ অদু গোল্ড মেদল ১, সিলভর মেদল অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১ নি। ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা ব্রুশুগী শান্নরোইশিং অসিদা চাইনা, রসিয়া ব্রাজিল অমদি সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোইশিংগা অকনবা লম্বা তৌনখিবনি। ব্রিক্স গেমস অসিগী ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল অদু তাইজিকুৱান ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবা মণিপুরগী ময়াংলাংবম গ্যান্দাস সিংহনা লৌখিবনি। তাইজিজ্যন ইভেন্টকী নুপীগীদা মণিপুরগী এন সনাতোম্বী চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি অমদি তাইজিকুৱান ইভেন্টতা মণিপুরগী কে বিদ্যশ্বরি চনুনা সিলভর মেদল অদু লৌখিবনি।

হয়েং পাংথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিগী মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৫ গোল্ড মেটচতা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা থেংনগদৌরি। গোল্ড মেদল মেটচতা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ব্রুশু শান্নরোইশিং অদুদি অঞ্জুল নামদিও ঙাঙোম, এ তোশিবালা, সাজন লামা, চিরাগ শর্ম্মা অমদি পুরভি সোরিনি। ইন্দিয়ন ব্রুশু টিম অসিদা মীওই ১০ না শরুক য়ারিবনি। ইন্দিয়ন টিম অসিগী মেনেজরনা সুহেল অমহদ অমদি কোচনা মণিপুরগী এম সচিদানন্দা সিংহনা ওইরি। লৈবাক মঙানা শরুক য়ারিবা গুৱাংজৌ সিটিগী গুৱাংজৌ প্রোভিঞ্চতা পাংথোক্লিবা ব্রিক্স গেমস অসিগী থা অসিগী ২১ ফাওবা চথগদৌরি। ইন্দিয়াগী ওইনা নুপা অমদি নুপী শান্নরোই ৪ / ৪ না ব্রিক্স গেমস অসিদা শরুক য়ারিবনি।


# TEMPLE OF LEARNING
# KHA - NAOREM LEIKAI, CANCHIPUR

CONGRATULATIONS

*Two bright stars of TOL who got prizes from the Hon'ble Chief Minister, Manipur, Shri N. Biren Singh and Hon'ble Minister Education, Shri Th. Radheshyam Singh.*



HAOBAM KENIYA DEVI
8th Position COHSEM, 2017



KSH. JULIA DEVI
10th Position COHSEM, 2017

**TOL FAMILY**

Session for Class XI (Science, Arts & Commerce) will be commenced from 29th June (Thursday) 2017,

NT/71675/19(June)


# ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপর অমদি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী রেফরিশিং লাওথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই দব্লিউদি এফএ) না শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা সুপর দিভিজন অমদি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০১৭ দা কন্দক্ট তৌগদবা রেফরি ইন্সত্রক্টর কম মেটচ কম্মিস্নার য়াওনা রেফরি ২৫ গী মীং ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনেরল সেক্রেটরি ঐচ চেতন সিংহনা লাওথোকখ্রে হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

পাংথোক্কদৌরিবা লিগ অনি অসিদা কন্দক্ট তৌননবা লাওথোকখ্রবা রেফরি ইন্সত্রক্টর কম মেটচ কম্মিস্নার অদুদি এল ইবোহল মৈতৈনি। অতোপ্পা রেফরিশিং অদুদি কেটেগোরি-১ রেফরি ওইরিবা এল অজিৎ মৈতৈ, কেটেগোরি-২ রেফরি ওইরিবা এল গোকুলানন্দা শর্ম্মা, টি ঐচ কিরঞ্জিৎ সিংহ, এল শান্তা মৈতৈ, কেটেগোরি-৩ রেফরি ওইরিবা এস ঐচ সুরেশ সিংহ, এন জি অনন্দ সিংহ, এন জি ইঙোচা সিংহ, টি ঐচ রঘু সিংহ, এ দিলিপ সিংহ, এন সন্তোশ সিংহ, এস তোম্বী সিংহ, এল হরিমোহন সিংহ, এস ওনিল সিংহ, পি রাজেশ সিংহ, কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ, কেটেগোরি-৪ রেফরি ওইরিবা ৱাই সমরজিৎ সিংহ, টি হেমন্তা সিংহ, টি ঐচ রোবিন সিংহ, এল সনাতোম্বা সিংহ, এ রতন সিংহ, কেটেগোরি-৫ রেফরি ওইরিবা এস ঐচ জোশিস, গ্রিনগী রেফরি ওইরিবা ঐচ মহেশ সিংহ, এস প্রেমকুমার সিংহ অমদি সি ঐচ পানমৈনি হায়রি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোইশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই দব্লিউ দি এফ এ) গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ চেতন সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না অম্ফানা শিন্দুনা পাংথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়ার বোইস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহুৎ শিন্নবগীদমক এসোসিয়েসন অসিগী টেক্নিকেল কম্মিটিনা ফাইনেল ওইনা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা লৈবা এফিলিয়েটেদ, ক্লব, য়ুনিৎশিংদগী শান্নরোই ২০ খনখ্রে হায়রি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি বি এম এস সিদগী টি ঐচ সেনিগান সিংহ, সোঙ্গালেন হাওকিপ, এল দাকেশ্বর সিংহ, লেক্স খংভ্রাকপম, দব্লিউ দ্রাবিদ সিংহ, দব্লিউ অমর সিংহ, দব্লিউ দিদেশ্ব সিংহ, দব্লিউ লকি সিংহ, ঐচ তোম্বা সিংহ, খেলজিৎ সিংহ, এস ব্রেকন সিংহ, সাই-আর সিদগী মোনেক্স কোম্হৌজম, এ রোবার্টসিংহ, পি ঐচ এল ৱাই ওদগী এন মালেমঙানবা সিংহ, ই সন্তোশ সিংহ, কে ঐচ হিটলর সিংহ, এল নেলসননি, য়ু এস এ এলদগী এন রোহেন সিংহ, সিকোদগী এল রোশন সিংহ অমদি ৱাই পি ঐচ য়ুদগী এস হিটলর সিংহনি। খল্লবা শান্নরোইশিংনা তাং ২০ গী অয়ুক পুং ৭ তা বি এম এস সি গ্রাউন্দ তাওবুংখোক্তা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।









Owned, Edited & Published by KHOIROM LOYALAKPA & Printed by him at Linthoi Offset Printers, Keishampat, Airport Road, Imphal., Tele # 2449086, 2441446 Fax # 2440353, E-mail : thoudangdaily@gmail.com, n_thoudang@yahoo.com